**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম পুম্বদগী অফস্পা লৌথোকবগীদমক কেন্দ্র সরকারগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাবা তঙাইফদে।

২) মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি নারোনদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা অসিনি।

৩) অমজ্ অমদি ই.জি.এমনা কাংপোকপীগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোকপা ওইনা হয়েং পাউচে ফোংদনবা অমসুং লন্নাই ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াদা পাউ শন্দোকপসু লেপবা ৱারেপ লৌখ্রে।

৪) নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেনদা চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা অকায় থোক্লে।

অমসুং

৫) পেরিস ওলিম্পিকক্সতা ভারতকী নুপাগী হোকি টিমনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

-------

এসেমব্লি (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম পুম্বদগী অফস্পা লৌথোকপা হায়বসি সরকার অসিগী অপাম্বনি। এক্ত অসি লৌথোকবগীদমক কেন্দ্র সরকারগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাবা তঙাইফদে।

মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি এম.এল.এ- কে. লৈসিওনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এক্ট অসি লৌথোকপা নত্রগা থম্বা হায়বসি কেন্দ্র সরকারদা লৈ। মসিগীদমক বিরোধিগী এম.এল.এশিং য়াওবা মীহুৎ কাংবু অমনা শেমদুনা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানিংবগী অপান্বা ফোংদোকখি।

কংগ্রেসকী এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বর হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পোপী থাবগা মরী লৈননা পুলিসনা এফ.আই.আর ৪১২ লৌখৎখ্রে।ইং শোক ২০১৭ তগী ২০২৪ ফাওবদা কেসশিং অসি লৌখৎখিবনি। মহাকা হায়- ভিলেজ চীফ ১৬ অমদি পোপি থাবদা চেন্নবা মীওই ৬৯ ফাগৎখি। মসিগী মথক্তা পোপি থারম্বা লম একর লিশিং ১৬,৭৮৮ সু য়ান্থৎতুনা মাংহনখি।

কংগ্রেসকী এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎনা হংলকপা ষ্টার কেসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- চহি অসিগী মার্চ ১ দগী সুগী নিয়ম কায়বা কেদর অহুম ফাগৎলে, মসিগা লোয়ননা কেস ১৩৭ অমসু রেজিষ্টর তৌখ্রে। শ্রী বিরেন্না হায়- সুগী য়ান্না ৱারোল অসি মাইকৈ অহুমগীনি। রাজ্য সরকার মথন্তনা সু লৌথোকপা ঙমদে।

বিরেন (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি নারোনদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা অসিনি। ভারত-ম্যান্মার তাইনবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাদবনা আইন কায়না মীতোপশিং লমদম অসিদা চংশিল্লকপনি। মসি ঐখোয় পুন্না হোৎনদুনা থিংহৌদ্রবদি য়েলহৌমীশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োকগনি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ৱাকফ বোর্দ মণিপুর ২০২২-২৩ অমসুং ২০২৩-২৪ গী চহিগী ওইবা রিপোর্ট মণিপুর বিধান সভাদা টেবল তৌখি।

জিরো অৱার (এল) ঃ ইন্দিপেন্দেন্ট এম.এল.এ- শাপম নিশিকান্টনা সভাদা জিরো অৱারগী খুদোংচাবা লৌদুনা পাউচে নম্বদা শিজিন্ননবা পোৎলমশিং অমাং

অতা থোকহনখিবা অসিবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়-পোৎচৈশিং অদু মৈ থাদোকপনা মরম ওইদুনা পাউচে পুথোক্লিবশিংদা য়ামা চাউনা অকায়বা পীরে। থৌদোক অসিগা মরী লৈনবশিং খঙদোকবা ওথোরিতিশিংনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

এম.এল.এ- খুমুকচম জয়কিসন্না দুকান ফন্লিবা অমদি করবার মচা মচা তৌরিবশিংদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবগী চাং ৱাংখলক্লিবা অসিগী মতাংদা সরকারনা মীৎয়েংবীনবা ৱাফম সভাদা থমখি।

হৌজিক তাবীরিবা মণিপুরী পাউ অসি হেক লোইবগা হৌজিক চখ্যরিবা ১২ সুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী ঙসি চখ্যখিবা মীফমগী মতাংদা বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবীগনি। মসি হেক লোইবগা মতমগী ৱাফম শন্দোকচগনি।

অমজ (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে নম্বর টুগী কাংপোকপী মপাদা শকখঙদবশিংনা গুৱাহাতিদগী ইম্ফাল তমা পুরকপা পাউচে নম্বদা শিজিন্নবা য়াল্লবা চে অমদি অতোপ্পা পোৎলম কয়া মৈ থাখিবগী থৌদোকপু ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমদি এদিটরস গিল্ড মণিপুর (ই.জি.এম)না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা মীফমদা অমজ অমদি ই.জি.এমনা থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকপা ওইনা হয়েং পাউচে ফোংলরোই অমসুং লন্নাই ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াদা পাউ শন্দোকপসু লেপবা ৱারেপ লৌখ্রে।

নোনে (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুবদগী মহৌশাগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়োকরি। নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে থার্তিসভেনদা চীং নীংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা অকায় থোক্লে। জিলা অসিগী লোংমাই পার্ট ৱান ভিলেজদা য়ুম ৮ হেন্না নোং কন্না চুবদগী অমাং অতা থোক্লে। য়ুমশিং অসিদা লৈরম্বা মীওইশিং শাফগদবা

মফমদা থংদোকখ্রে। অমরোমদা, লোংমাই পার্ট টুগী ভিলেজ ওথোরিতি অমদি খুল অসিগী মীওইশিংনা ফিভম অসি য়েংশিন্নবা সরকারদা অখণ্ড অহৈশিং থাবীরকবা আপীল তৌরক্লি।

রাজ্যপাল লক্সম প্রসাদ অচারিয়ানা নোনে জিলাগী লোংমাই খুলদা নোংনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিন্নবা অখন্নবা এক্সপার্ট কমিতি অমা শেম্লে। রাজ্যগী রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনা থোকপা চরোল অমনা হায়- বিভাগ অসিনা কমিতি অসিগী মীওইশিংগা পুন্না চত্তুনা নোংনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিন্দুনা নুমিৎ হুমিগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎকনি। নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনসু টিম অসিনা থিজিনবদা মপুংফানা ফানা মতেং পাংগনি হায়রি।

ত্রেনিং (এল)ঃ নেমাতোট হায়বসি করিনো হায়বগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি লুৱাংশংবমগী পান্থোইবী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। সি.এ.য়ু ইম্ফালগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী মখাদা ওল ইন্দিয়া কোওর্দিনেতেদ রিচার্স প্রোজেক্ট ওন নেমাতোটস ইন এগ্রিকলচর ইম্ফাল সেন্তরনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মফম অদুগী প্রধান অমসুং খুলগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্টরনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা নোং কন্না চুরগনি। উখ্রুল, তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং ফেরজোল জিলাদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৩ ফাওবা নোং কন্না চুগনি। তমেংলোং অমসুং সেনাপতিদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকপগা লোয়ননা উখ্রুল অমসুং ফেরজোলদনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

হাওমী (এল)ঃ ফেদরেসন ওফ হাওমী অমদি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা পুলিস ষ্টেসন ৫ দা পাওমিনলেন হাওকিপকী মথক্তা এফ.আই.আর থাংগৎখ্রে।

ফেদরেসন ওফ হাওমীগী চেরোল অমনা হায়- পাউমিলেন হাওকিপনা

দিল্লিগী নেসনেল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল ত্রাইবসকী চেয়ারমেনদা কুকিশিংগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীবীনবা চহি অসিগী জনুৱারি থাদা অইবা অমা পীশিনখি। মহাক্কী অইবা চেরোল অদুদা মরিং, কোম, আইমোল, থঙ্গাল, পুরুম, চিরু অমদি কোইরেংনচিংবা ফুরুপশিং অসিগী খুল কয়াবু কুকি হিলস ভিলেজ ওন্থোক্লুনা থারম্বা থেংনখি। লমদম অসিগী য়েলহৌমীবু কুকি খক্তনি হায়না উহনবা মহাক্কী চেরোল অসিগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীনবা য়াইঙংপোকপী, লম্লাই, লমশাং, ইরিলবুং পুলিস আউটপোষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎখিবনি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা জনরুম কম্ম্যুনিতি হোলদা রাজ্য থাক্কী ওইবা নুমিৎ ৭ নিগী খোই লোইবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। থৌরম অসি হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগকী মখাদা কেচুনট দিভলবমেন্ট ওফিসরনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী দিপুটি কম্মিস্নার কৃষ্ণ কুমারনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা পুন্না মীওই ২৫ শরুক য়ারি।

বোসেম (এল) ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজকেসন মণিপুরনা ঐচ.এস.এল.সিগী কম্পার্টমেন্টে পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপগা মরী লৈননা হয়েং নুংথিল পুং ৩ মখায়দা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি।

কলেজ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কলেজগী মহৈরোইশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী ইন্তরনেল্লি ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা শিন্দুনা ঙসি কলেজ অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং পুন্না শরুক য়াখি। কলেজ অসিদা নৌনা মীং চল্লকপা বি.এ-বি.এস.সি ফার্ষ্ট সেমিষ্টরগী মহৈরোইশিংগা ওজাশিংগা শকখঙ মাইখঙনবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী মহৈরোইশিংদা মহৈ মশিং নিংথিনা তমদুনা হেন্না মগুন লৈবা

মহৈরোই ওইনবা ওজাশিংনা পাউতাক পীখি।

থৌরম অদুনা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এল. বসন্তি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল কলেজগী ৬১ শুবা ফাউন্দেসন ডে অমসুং ১১ শুবা কলেজ অসিগী মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌবাল কলেজ টিচরস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরমদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল এম. বিনা দেবীনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

পিএমএমএসৱাই (এল) ঃ প্রধান মন্ত্রি মটস্যা সম্পদা য়োজনা (পি.এম.এম.এস.ৱাই)গী মখাদা নেসনেল ফিসরিজ দিভলপমেন্ট বোর্দ, হাইদ্রবাদকী মখাদা রাজ্যগী ফিসরি বিভাগনা মণিপুরগী তুরেলশিংদা ঙা থাদবগী থৌরম অমা ওইনা ঙসি থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ফিসরি ওফিসকী ষ্টাফ অমদি ক্ষেত্রি লৈকাই অপুনবা শেমগৎ শাগৎ লুপকী থৌমীশিংগা লোয়ননা ঙা মচা লিশিং ৩০ থৌবাল তুরেলদা থাদখ্রে।

হেলথ (এল) ঃ ৱাল্ড ব্রেষ্ট ফিদিং ৱিক পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ললাম্বুং তখেল্লম্বম লৈকাইদা থৌরম অসি ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. জোয়কুমার সিংহনা হায়- মীয়ামগী ওইবা মফমশিংদা ব্রেষ্ট ফিদিং কোর্নর অমমম তঙাইফদনা থম্ফম থোকই। মীপুম খুদিংমকা ব্রেষ্ট ফিদিং তৌরিবা মমা খুদিংমকপু ইকায় খুমফম থোকই।

ফোক্স (এল) ঃ ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)না ক্বাক্তাগী সেরিকলচর ফার্মদা লৈবা ফেব্রিকেতেদ হাউসশিং ঈশিং থুমজিনখিবদগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা মতেং পাংখ্রে।

পেরিসঃ পেরিস ওলিম্পিক্সতা ভারতকী নুপাগী হোকি টিমনা শেঙ্গেংগী তকমান ফংলে। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা স্পেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

কিলোগ্রাম ৫৭ কী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ভারতকী অমন সেরাৱট সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ক্বাটর ফাইনেলদা অমন সেরাৱটনা অলবানিয়াগী জেলিম খান অবাকারোভপু পোইন্ট ১২-০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

মমাংগী টোকিও ওলিম্পিক্সতা জেব্লিন মশান্নদা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা নিরজ চোপ্রা ঙসি নুমিদাং পুং ১১ মিনিত ৫৫ দা শান্নরগনি।

চাইনানা সনাগী ২৬, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঙ্গেংগী ১৭ পুন্না তকমান ৬৭ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৮, লুপাগী ১৪ অমসুং শেঙ্গেংগী ১১ পুন্না তকমান ৪৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা শেঙ্গেংগী অহুম ফংদুনা ৬৭ শুবদা লৈরি।

রাষ্ট্রপটি ঃ রাষ্ট্রপটি দ্রৌপটি মুর্মুগা নিউ জিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লকজন অমদি উপ-প্রধান মন্ত্রি অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি ভিষ্টন পিটরসকা ঙসি ৱেলিংটনদা উনখ্রে। উনবা অদুদা কষ্টমস কোর্পোরেসন, ট্রেদিসনেল মেদিসিন অমসুং রিনুউৱেবল ইনর্জি য়াওনবা তোঙান তোঙনবা লম কয়াগী মতাংদা পাক শন্না খন্ন নৈনখি। লৈবাক অনিনা তোঙান তোঙনবা লমশিংদসু তেংবাং পীনবদা য়ানখি। ঙসি নিউ জিলেন্দগী গর্ভনর জেনরেল দেম সিন্দি কিরোনা রার্ষ্টপটি দ্রৌপর্টি মুরমুগীদমক ষ্টেট বেঙ্কুইট অমসু শিনখি। বেঙ্কুইট অদুদা লৈবাক অদুগী মরুওইবা থৌ পুরিবা মীওই কয়া অমসু শরুক য়াখি।

সভা ঃ ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন্না ভারত্তা ২০৩৬ তা ওলেম্পিক্সকী যুম্বু ওইনবা ফ্যুচর হোষ্ট কম্মিসন (এফ. ঐচ. সি.) গা ৱারী শাবা হৌখ্রে। ঙসি রাজ্য সভাদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মানসুখ মন্দাবিয়ানা অইবা পাউখুম ওইনা পীখিবনি।

এফ. ঐচ. সি. অসি ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী সেলক্সন কমিতিগী

বোদি অমনি। মহাকা তানা হায়- লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা শান্ন খোৎনবগী মফম অমসুং মচাক মথুমশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু শেমদোক শাদোকপগী থবক চথরি।

লোক সভা ঃ লোক সভাদা ঙসি ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৪ পুথোকখ্রে। মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না বিল অসি ঙসি সভাদা ৱাকফ এক্ট ১৯৯৫ মখা তানা চৎনহন্নবা পুথোকপনি। বিল অসিনা ষ্টেট ৱাকফ বোর্দকী চৎন পথাপ য়েংশিনবা অমদি ৱাকফ বোর্দ অসিগী লন-থুম অমদি থবক থৌরমগী মতাংদা থোরকপা থৌদোক ৱাথোকশিং য়েংশিনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

বিল অসিবু বিরোধি দলশিং- কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্তি, দি.এম.কে, এন.সি.পি (এস.পি)না য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

-------